**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14.03.2024)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুরনা লৌবা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা ক্লাস টেন পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,৭১৫ না পরিক্ষা থাগনি।

২) মণিপুর ক্রেদিৎ গেরেন্তি স্কিমগী মখাদা খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা লোনগী শেনফম ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা য়েন্থোকখ্রে।
রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দলনা মণিপুরদা হান্নদগী থন্নকপা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস থা ৬ অমগা মখা তানা শাংদোকবা ৱারেপ লৌখ্রে।

৩) মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি নৌনা শাবা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ হোটেল মেনেজমেন্ট শঙ্গাখ্রে।

৪) রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়রি- কাংলুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা অসি কোকনবা অমত্তা ঙাইরবা পান্বেদি ৱারী শান্নবনি।

অমসুং

৫) কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- অৱাং নোংপোক লমদমদা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎলে।

-------

একজাম (এল)ঃ বোর্দ ওফ সেকেন্দরি ইজ্‌কেসন মণিপুর (বোসেম)না লৌবা ক্লাস টেন পরিক্ষা হয়েংদগী হৌরগনি। মথং থাগী ৮ ফাওবা চত্থগদবা পরিক্ষা অসিদা পুন্না মহৈরোই লিশিং ৩৭,৭১৫ না পরিক্ষা থাগনি।

ইম্ফালগী বাবুপারাদা লৈবা বোসেমগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা বোর্দকী চেয়ারমেন- অখাম জয়কুমারনা হায়- পরিক্ষা অসিদা সরকারগী মহৈ লোইশঙগী মহৈরোই লিশিং ৯,১১৯, এদেদকী লিশিং ১,৩১৫ অমসুং প্রাইভেট স্কুলগী মহৈরোই লিশিং ২৭, ২৮১ য়াওরি। পরিক্ষা অসিগীদমক পুন্না সেন্তর ১৫৪ লৈগনি। মসিগীদমক তম্পাক্কী ওইনা ইন্সপেক্সন টিম ২৫ অমদি চীংগীনা ইন্সপেক্সন টিম ৩-৪ শেম্লে। পরিক্ষা অসি নিংথিনা পাঙথোকবগীদমক বোর্দকী একজামিনেসন কমিতিগী মেম্বরনা লুচিংবা ওবজার্ভর ৬ শেম্লে। মহাকা হায়- অহানবা ওইনা চীংগী জিলাশিংদা লৈবা পরিক্ষা সেন্তরশিংগীদমক কুমশি চহিদগী পরিক্ষাগী পোৎলমশিং অমদি কোনফিদেন্সিয়েল মেটরিয়েলশিং মণিপুর সরকারনা খল্লবা নোদেল ওফিসার অমগা লোয়ননা থাখ্রে।

চেয়ারমেন্না হায়- পরিক্ষা সেন্তরগী অকোইবদা সি.আর.পি.সিগী ধারা ১৪৪ গী মখাদা অথিংবা থমলে। মহাকা হায়- অহানবা ওইনা পরিক্ষা অসিদা হান্না চৎনরম্বা অন্সারসিত অদুগী মহুৎতা ও.এম.আর সিট শিজিন্নরগনি। হয়েংদগী হৌগদৌরিবা পরিক্ষা অসি য়েংলগা কনাগুম্বা অমত্তা বন্দ-ব্লোকেদ অমদি খোঙজংনচিংবা চংশিনবীদনবা আপীল তৌরক্লি।

হয়েংদগী হৌগদৌরিবা মেট্রিক পরিক্ষা হায়রগা খঙনবা ক্লাস টেনগী পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি। পাউজেল অমদা মহাকা হায়- মহৈরোইশিংনা পরিক্ষা অসিগীদমক কন্না হোৎনগদবনি। হোৎনবা কনবা মহৈরোইখক্তনা তুংদা শোইদনমক্কী মহয় চাগনি।

পাউজেল অমদা ইজ্‌কেসন (এস)কী দাইরেক্তর লাইশ্রম নন্দকুমারনা হায়- মমা মপা ওইবশিংনা পরিক্ষা অসিগীদমক মহৈরোইশিংদা অহেনবা প্রেসর পীরোইদবনি।

ওল মণিপুর রিকগনাইজ প্রাইভেট স্কুলস ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন, ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন ওফ কংলৈপাক (সুক)নসু পরিক্ষা থাগদৌরিবা মহৈরোইশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

বিরেন (এল)ঃ  রাজ্য সরকারগী প্লান্নিং দিপার্টমেন্টকী মাইক্রো এন্দ স্মোল ইন্তরপ্রাইজেসকী মণিপুর ক্রেদিৎ গেরেন্তি স্কিমগী মখাদা খনগৎলবা বেনিফিসরিশিংদা লোনগী শেনফম ঙসি মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা য়েন্থোকখ্রে।

মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেটরিয়েটতা পাঙথোকপা অচম্বা থৌরম অমদা লোনগী শেনফমশিং অদু মুখ্য মন্ত্রিনা য়েন্থোকখিবনি। লোনশিং অসি নেসনেলাইজ বেঙ্ক ২১ না অপুনবা বেনিফিসরি লিশিং ১,৬৫০ দা পীননবা অপুনবা শেনফম লুপা কোতি ১১৩ লাখ ৩৪ কাইথোকপনি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- রাজ্য অসিদা হৌজিক থোক্লিবা ইরাং অসিনা মরম ওইদুনা মাংখিবা মতমশিং মেনখৎনবা হেন্না কন্না হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। হান্না পুং ১০ থবক শুরম্বা অদু মতম হেনগৎনা থবক শুবা তাই। কনাগুম্বা অমত্তনা লাক্লবা রাজ্য অসিগীদমক মতেং পাংগদবা নত্তে, ঐখোয় হশানা হোৎনজগদবনি। ঐখোয়গী ইরমদম ঐখোয়না কনগদবনি অমসুং শেমগৎতুনা চাওখহনগদবনি। মহাকা হায়- রাজ্য সরকারনা শেনমিৎলোন হিংগৎহনবা, এগ্রিকলচর, হোর্তিকলচর, স্মোল, মেদিয়ম ইন্তরপ্রাইজেসনচিংবা লমদা মুমেন্টম অমা শাগৎনবা কন্না হোৎনরি।

থৌরম অদু য়াওবা লাকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবদা শিক্ষা মন্ত্রি থৌনাউজম বসন্তকুমারনা হায়- ঙসি পাঙথোকখিবা রাজ্যগী মন্ত্রি মন্দল মীফমনা হোম অমসুং হকশেল য়াওনা তোঙান তোঙানবা এজেন্দা কয়ামরুম খন্নখি। মহাকা হায়- তম্পাক্কী পুলিস ষ্টেসন ১৯ না কোনবা মফমশিং য়াওদনা মণিপুরদা হান্নদগী থম্লকপা দিষ্টর্ব এরিয়া ষ্টেটস থা ৬ অমগা মখা তানা শাংদোকবা ৱারেপ লৌরে। মসিগী মথক্তা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা বোসেমনা লৌবা ক্লাস পরিক্ষা অসি মার্ক সিষ্টেমদা চৎলরোই, গ্রেদ সিষ্টেমদা ওইনা চৎলগনি।

সিএম (এল)ঃ      মুখ্য মন্ত্রি নোংথোম্বম বিরেন সিংহনা ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী নোংমাইচিংদা নৌনা শাবা ষ্টেট ইন্সটিট্যুট ওফ হোটেল মেনেজমেন্ট শঙ্গাখ্রে।

রাজ্যগী তুরিজম বিভাগনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ৱা

ঙাংলদুনা মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- অসিগুম্বা ইন্সটিট্যুট অমা রাজ্য অসিদা থম্বা অসি য়ামা মরুওই। মহাকা হায়- রাজ্য অসিগী শেনমিৎলোন অমসুং থবক পীবদা তুরিজম সেক্তরগী চাউরবা মফম লৈ। ইন্সটিট্যুট অসি য়ৌবা লম্বী দবল লেন ওন্থোকপগী তঙাইফদবা লৈ হায়নসু মুখ্য মন্ত্রিনা মখা তাখি। রাজ্য অসিদা তুরিজমগী লম হেন্না চাওখৎহনবগী মরুওইবা অদু পল্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- রাজ্য সরকারনা লমদম অসিদা তুরিজমগা মরী লৈননা তোঙান তোঙানবা চাওখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্টশিং পায়খৎলে। লমদম অসিগী তুংগী য়েংলগা ফুড সেক্যুরিতি লৈহন্নবগীদমক লৌবুকশিং কনদুনা থম্বা তঙাইফদে হায়রদুনা চাওখৎ থৌরাংগী থবকশিং লৌউ শিংউগা মরী লৈনবা থবকশিং পায়খৎতবা চীংখোঙশিংদা পায়খৎপসু য়াই।

রাজ্য অসিগী হৌজিক ওইরিবা শান্তি রক্ষাগী মতাংদা পল্লদুনা শ্রী বিরেন্না হায়- সরকার অসিনা লমদম অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা হোৎনবা য়াবা হোৎনরি। চীংখোঙ চীংয়াশিংদা সেক্যুরিতি ফোর্স থমদুনা অমদি পোলিতিকেল দাইলোগ তৌদুনা ৱারোহশিন পুরকবা হোৎনরি।

রাজ্যপাল (এল)ঃ নাগালেন্দগী তুরিজম মন্ত্রি তেমজেন ইমনা অলোংনা ঙসি রাজ ভবনদা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকে উন্নদুনা মণিপুরদা কাংলুপ অনিগী মরক্তা থোক্লিবা ইরাং অসি ৱারোইশিন পুরক্তুনা শান্তি অমসুং নুংশি চান্নবা হঞ্জিনহল্লকবগীদমক্তা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

রাজ ভবনগী চেরোল অমনা হায়- শ্রী অলোংনা লমদম অসিগী জাতি কাংলুপ অনিগী মরক্তা অমনা অমবু থাজনবা হঞ্জিনহন্দুনা ৱারী শান্ননবা হোৎনবগী তঙাইফদবা লৈ। রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা জাতি-কাংলুপশিংগী মীওইবগী মীনুংশি য়েংদুনা থবক তৌহন্নিংবগী অপাম্বসু মন্ত্রিনা ফোংদোকখি। নাগালেন্দগী মন্ত্রিনা ফোংদোকখিবা ৱাফমশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেনা হায়- কাংলুপ অনিগী মরক্তা লৈরিবা থাজনদবা অসি কোক নবা অমসুং হৌজিক ওইরিবা ফিভম অসি লোইশিন্নবা অমত্তা ঙাইরবা পাম্বৈদি ৱারী শান্নবনি। মহাকা হায়-জাতি কাংলুপ অনি অসিবু পুন্না ফম্মিন্নদুনা পনদুনা

লৈরিবা হিরম খুদিংমক ৱারোইশিন পুরকবা কেন্দ্র অমসুং রাজ্য সরকারনা চুনবা ফিভম অমা শেম্বা তঙাইফদে।

অমরোমদা, নবার্দকী দি.জি.এমনা লুচিংবা মীহুৎ কাংবু অমনসু রাজ্যপাল অনুসুইয়া উইকেগা উন্নদুনা ষ্টেট ফোকস পেপর ২০২৪-২৫ রিলিজ তৌনবা হায়জখি। উন্নবা অদুদা রিলিফ কেম্পতা লৈরিবা লাঞ্জেন্নরক্লিবা মীওইশিংগী য়াইফ থৌরাংগীদমক পায়খৎলিবশিংগী মতাংদসু পাউদমখি।

সেনা (এল)ঃ  শিব সেনা মণিপুর প্রদেশনা হায়রি- রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লক্লবা মতমদতা লোক সভাগী মীখল পাঙথোকবা হোৎনগদবনি।

বাবুপারা ইম্ফালদা লৈবা দলগী ওফিসতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা দলগী প্রসিদেন্ট এম. তোম্বীনা হায়- ইমা লৈবাক ঙাক শেনদুনা থম্বা হায়বসি মীপুম খুদিংমক্কী দাইত্বনি। থা ১১ হেঞ্জিল্লক্লবা ইরাং অসিনা তংদু লৈতাদবা ফিভম অমা মায়োকরিঙৈ চৈরক্তা মীখল তৌবা হায়বসি শিব সেনানা কৈদৌঙৈদসু য়াবা ঙমলোই। মীখল পাঙথোক্কে হায়রবদি লমদম অসিদা হান্ননা শান্তি হঞ্জিনহল্লকপা তঙাইফদে।

শ্রী তোম্বীনা হায়- মতম অমদা জম্মু কাশ্মীর অমসুং অসামদা ইরাংনা মরম ওইদুনা মীখল চহি অমা থেংথনা পাঙথোকখিবা অদুগুমা মণিপুরদসু তংদু লৈতাবা অমা পুরক্লবা মতুং ময়ামদগী খরা থেংথনা মীখল পাঙথোকবা হোৎনগদবনি।

লুম (এল)ঃ  মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তনা ঙসি ৱাংখৈ পুখ্রম্বম লৈকাইদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ফিশাবীশিংদা ফ্লায়িং সট্রল ফ্রেম লুম য়েন্থোকখ্রে। ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী দিষ্ট্রিক্ট হেন্দলুম এন্দ টেক্সতাইলস ওফিসনা শিনবা থৌরম অদুদা ফিশাবীশিংদা ৱিভর কার্দ, ট্রেনিং সার্তিফিকেট, য়ার্ন পাসবুক অমসুং ফিশাকোনশিং য়েন্থোকখি।

এসবিআই (এল)ঃ সোসিয়েল ৱেলফ্যারগী দিরেক্তর ঙাঙোম উতমনা হায়রি-লন্নাই কম্পনিশিং অমদি বেঙ্কনচিংবনা কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোসিবিলিতিগী মখাদা এন.জি.ওশিংনা চলাইবা হোমশিংদা মতেং পাংলিবশিং অসি থাগৎনিঙাইনি।

ইম্ফাল ইষ্টকী খুরাই কোংপাল লাইশ্রম লৈকাইদা লৈবা ইমাগী মশাইকোল চিলড্রেন হোমদা এস.বি.আই-আর.বি.ও ইম্ফালনা তেংবাংগী পোৎলমশিং খুৎশিন্নবগী থৌরমদা শ্রী উতমনা ৱাফম অসি ফোংদোকখিবনি।

থৌরম অদুদা এস.বি.আই-আর.বি.ও ইম্ফালগী রিজনেল মেনেজর খুমুকচম ওকেন্দ্রোনা হোম অদুদা গ্রোদ্রেজ উপু ২৬ খুৎশিন্নখি।

অমরোমদা, ষ্টেট বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়াগী কোর্পোরেট সোসিয়েল রেস্পোন্সিবিলিতিগী মখাদা এস.বি.আই ককচিং ব্রাঞ্চনা ঙসি ককচিং খুনৌদা হাংবা রিলিফ কেম্প অনিদা সিৰিং মেছিন অমমম খুৎশিন্নখ্রে। ঙরাংসু ককচিং জিলাদা হাংবা রিলিফ কেম্প ৩ দা সিৰিং মেছিন অমমম খুৎশিন্নখি হায়রি।

থৌবাল (এল)ঃ ভারত সরকারগী ইনফোর্মেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী মখাদা লৈবা সেন্ত্রেল ব্যুরো ওফ কম্যুনিকেসন, ইম্ফাল রিজন অমসুং থোবাল কলেজগী এন.এস.এস য়ুনিতনা শিন্দুনা স্বিপকী মতাংদা নোংমগী ওইবা ইন্তিগ্রেতেদ কম্যুনিকেসন এন্দ আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা ঙসি থৌবাল কলেজগী হোলদা পাঙথোকখ্রে। থৌবাল কলেজগী মহৈরোই কয়ানা শরুক য়াখিবা থৌরম অদুদা নৌনা ভোতর চল্লবা মীওইশিংনা নিয়ম চুমা ভোৎ থাদবগী মতাংদা অখঙ অহৈশিংনা ৱা ঙাংখি। মহৈরোইশিংগী ওইবা ক্বিজ কম্পিতিসন অমা পাঙথোক্তুনা মকোক মথং তাখ্রবশিংদা মনাসু য়েন্থোকখি।

ই-তিকেৎ (এল)ঃ থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা ঙসি ই-হোস্পিতাল তোকন সিষ্টেম হৌদোকখ্রে। দিষ্টিক্ট হেলথ সোসাইতি থৌবালনা ষ্টেট হেলথ মিসন অমসুং এন.আই.সি ইম্ফালগা পুন্না শিনবা থৌরম অদুদা থৌবাল জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার অহন্থেম শুবাস, ষ্টেট হেলথ মিসনগী দিপ্যুতি দিরেক্তর ডাঃ

মুতুম বিবেক্সন, এন.আই.সি মণিপুরগী জোইন্ট দিরেক্তর কে.গোপালকৃষ্ণ অমসুং সি.এম.ও থৌবাল ডাঃ ৱাই. নোকুল শরুক য়াখি।

কিদনি (এল)ঃ ৱার্ল্ড কিদনি ডেগা মরী লৈননা রিমসকী দিপার্টমেন্ট ওফ নেফ্রোলোজিনা শিন্দুনা ৱাংজিং কোদোমপোকপী স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা হাংলিবা রিলিফ কেম্পতা নোংমগী ওইবা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। কিদনি হেলথ ফোর ওল হায়বা হিরমদা পাঙথোকখিবা কেম্প অদুদা রিলিফ কেম্প অদুদা লৈরিবা মীওইশিংবু লেমা লায়েংবগা লোয়ননা হিদাক লাংথকসু পীখি।

পোলো (এল)ঃ হৈঙাংগী ইবুধৌ মার্জিং পোলো কমপ্লেক্সতা চথরিবা অহানবা অথোকপম গনধার মেমোরিয়েল ষ্টেট লেভেল ওপন তুরনামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা ক্রিপসা নাওরেথোংনা ব্লেক ৱাটস ক্লব-বি টিমবু পাঞ্জল ১১-৩ দা থোইখি। অতোপ্পা মেটচ অমদা ব্লেক ৱাটস পোলো ক্লব-এনা ককচিং দিষ্ট্রিক্ট পোলো এসোসিয়েসনবু পাঞ্জল ৯-৩ দা থোইখি।

ফুটবোল (এল)ঃ ওল ইন্দিয়া ফুটবোল ফেদরেসন্না শিন্দুনা দি.এস.এ বিষ্ণুপুরগী মিনি ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লিবা অনিসুবা ইতোমচা সিংহ মেমোরিয়েল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল লিগকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা য়ুনাইতেদ ফুটবোল ক্লব অমসুং উসক খঙদবি ক্লব কম লাইব্রেরি পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

চেস (এল)ঃ দি চেস একাদমিনা শিনদুনা অহুমসুবা দি.সি.এ রেপিদ চেস তুরনামেন্ট মথং থাগী ৬ অমসুং ৭ তা উরিপোক খোইস্নাম লৈকাইদা লৈবা একাদমি অসিদা পাঙথোক্লগনি। অকুপ্পা মরোল একাদমি অসিদগী খঙলবা য়াগনি।

নিরমালা ঃ  কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না হায়- অৱাং নোংপোক লমদমদা মতম কুইনা মীৎয়েং চংলমদবা অদু প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা সরকার অসিনা হৌখিবা চহি ১০ অসিদা অহানবা ওইনা শিংথানিঙাই ওইবা থবক কয়া পায়খৎলে।

গুৱাহাতিগী আই.আই.টিদা বিকাশ ভারত এম্বেসেদর কেম্পস দাইলোগতা কি-নোট এড্রেস পীরদুনা মন্ত্রিনা হায়- অৱাং নোংপোক লমদমগী চাওখৎ থৌরাংদা অহেনবা মীৎয়েং চংবগা লোয়ননা কেন্দ্রগী মন্ত্রিশিং হৌখিবা চহি ১০ অসিদা ৮৫০ রোম লাকখি। শ্রীমতি সিতারমন্না হায়- অৱাং নোংপোক ভারত চাওখৎনবা মচাক মথুম মরাং কায়না লৈবা লমদম অমনি অমসুং লমদম অসিগী নহারোলশিং হোৎনবা কনবা মীওই ঙাক্তনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা অৱাং নোংপোক ভারত  অসি লৈবাক অসিগী গ্রোথ ইঞ্জিননি হায়রদুনা কেন্দ্র সরকারনা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাং স্কিমশিংগী খুদোংচাবা ফংহনদুনা লমদম অসিবু চাওখৎনবা হোৎনরি।

পিএম ঃ      প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- পি.এম. সভানিদি স্কিম অসিনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী পুন্সি লম্বী অমা ওইরক্লি।

নিউ দিল্লিদা পি.এম. সভানিধি স্কিমগী খুদোংচাবা ফংলবা মীওইশিংদা লো য়েন্থোকপগী থৌরমদা শ্রী মোদিনা হায়- কোবিদ নাইন্তিনগী মতমদা মীয়ামনা ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংগী শক্তি উবা ফংখি। মহাকা হায়- ঙসি পাঙথোক্লিবা সভানিধি মহোৎসব অসি মতম চুপ্পদা মীয়ামগা তোৎন তিন্নদুনা লৈরিবা মীওইশিং অমদি মখোয় য়াওদনা হিংবা ওইথোক্তবশিংগীদমক্তা কৎথোক্লগনি। ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংবু থাগৎপা ফোংদোক্লদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- শোরোক মপানদা ফল্লিবা দুকানদারশিং অমসুং ষ্ট্রিট ভেন্দরশিংনা সমাজ অসিগীদমক কৎথোক্লিবা অসি শিংথানিঙানি।

-------